হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জন্যুৱারী ১৭, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৮৭শুবা মশীং

# মালেমগী মতীক ময়াই লৈরবা পাসপোর্ট

## হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্সতা লৈবাক ১৪৭না ইন্দিয়াদগী মাঙজিল থারি

মালেমদা হৌজিক ইন্দিয়ন পাসপোর্টকী মগুণ হন্থরকপগা লোয়ননা খ্বাইদগী ইকোন-কোন্না জান্যুৱারী ৭তা ফোঙখিবা হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্সতা ৮৪শুবদা লৈরে। মমাঙ চহীদা রেঙ্কিংগী ৭৪শুবা মফম কল্লন্থা ইন্দিয়ানা হন্দক মফম ১০ হন্থরক্তুনা মোরিটানিয়া অমসুং টাজিকিস্থানগা লোয়ননা ৮৪শুবদা পূন্না লৈমিন্নরি। গ্লোবল সিটিজনশিপ এন্দ রেসিদেন্স এদভাইজরি ফর্ম "হেনলি এন্দ পার্টনরস"না ইন্টরনেসনল এয়র ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসন (আই এ টি এ)গী দেটাদা য়ূম্ফম ওইরগা পাসপোর্ট ইন্দেক্স ফোঙলকপনি। লৈবাক অমগী পাসপোর্ট পায়রগা মাঙজৌননা ভিজা লৌবগী মথৌ তাদনা মালেমগী লৈবাক কয়া য়াম্না চৎপা য়াবগে হায়বগী ফীভম য়েংলগা কুমজা ২০০৬তা খ্বাইদগী ইহান-হান্না "হেনলি এন্দ পার্টনরস ভিজা রেষ্ট্রিক্সন ইন্দেক্স" ফোঙখি। এসিয়াগী লৈবাক অয়াম্বা ফীভম ফনা লৈরবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি ফীভম শোকচিল্লকপগুম তৌরি। মমাঙ চয়োলদা হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্সনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, লৈবাক অমগী পাসপোর্ট পায়বা মীওইনা ইলেক্ট্রোনিক ভিজা, ভিজা ওন অরাইভেল, নোর্মেল ভিজা নৎত্রগা ভিজা-ফ্রী ওইনা মালেমগী লৈবাক কয়া য়াম্না চৎপা য়াবগে হায়বদুগী ফীভম য়েংলগা মথং-মনাউ নাইনা ইন্দেক্স শেম্বনি। এসিয়াগী লৈবাকশিংগী মনুংদা জপানননা চহী অহুম থংনা-থংননা ইন্দেক্সকী মকোক্তা লৈরে। ইন্টরনেসনল এয়র ট্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসনগী দেটাদা য়ূম্ফম ওইরগা হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্সনা হায়, জপানগী পাসপোর্ট পায়বা মীওই অমনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক ১৯১দা ভিজা-ফ্রী নৎত্রগা ভিজা-ওন-অরাইভেলগী খূদোংচাবা ফংলি। মালেমগী লৈবাক ১৯০দা ভিজা য়াওদনা চৎপা য়ারিবা সিঙ্গাপোরনা ইন্দেক্সকী অনীশুবদা লৈরি। লৈবাক ১৮৯দা ভিজা য়াওদনা চৎপা য়ারিবা সাউথ কোরিয়াগী পাসপোর্টনা অহুমশুবদা লৈরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স অমসুং য়ুনাইটেদ কিংদমগী পাসপোর্টনা ইন্দেক্সকী রেঙ্কিংদা তপ্না-তপ্না মফম হন্থরক্লি। লৈবাক অনীমক টোপ টেনগী মনুং চল্লবসু ইন্দেক্সকী ৮শুবদা পূন্না লৈমিন্নরি। কুমজা ২০১৫দা লৈবাক অনীমক ইন্দেক্সকী মকোক্তা পূন্না লৈমিন্নখিবনি। হন্দক্তা ফোঙলকখিবা ইন্দেক্সতা ফিনলেন্দ অমসুং ইটলিনা ৪শুবদা পূন্না লৈরগা দেনমার্ক, লকজম্বর্গ অমসুং স্পেননা মঙাশুবদা পূন্না লৈরি। য়ুনাইটেদ অরব এমিরেট্স (য়ু এ ঈ)না খ্বাইদগী শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা হৌখিবা চহী ১০গী মনুংদা মফম ৪৭ কাখৎলক্তুনা ইন্দেক্সকী ১৮শুবদা লৈরে। অমরোমদা অফঘানিস্থানননা ইন্দেক্সকী মমৈ ইথং-থংনা লৈরে। অফঘানিস্থানগী পাসপোর্ট পায়বা মীওই অমনা শুপ্নগী লৈবাক ২৬ খক্তা ভিজা য়াওদনা চৎপা য়ারি। ব্রিক্স লৌকশিংগী মনুংদা ব্রাজিলনা ১৯শুবা, রসিয়ানা ৫১শুবা, সাউথ অফ্রিকানা ৫৬শুবা অমসুং চাইনানা ৭১শুবা মফম কনবা ঙম্লি।

কুমজা ২০০৬তা খ্বাইদগী ইহান-হান্না হেনলি এন্দ পার্টনরস ভিজা রেষ্ট্রিক্সন ইন্দেক্স (ঐচ ভি আর আই) ফোঙখি। অদুবু কুমজা ২০১৮গী জন্যুৱারীদা খরা শেমদোক-শাদোক্লগা হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্স (ঐচ পি আই) হায়না ফোঙলকখিবনি। য়ুরোপকী লৈবাকশিংসু হৌখিবা চহী ১০গী মনুংদা হান্নগা চপ মান্নবা মওংদা অদুম্মক লৈবা ঙমখি। বেলজিয়ম, ফ্রান্স, ইটলি, লকজম্বর্গ, স্পেন অমদি স্বিদেননা চহী ১০গী মমাঙদা কনবা ঙমখিবা মফম অদুদা হৌজিকসু অদুম্মক লৈরি। লিক্টেনষ্টিনগী মফম খরা কুমথরকপা তারগসু চেক রিপব্লিক, ফিনলেন্দ, হঙ্গেরি, মালটা, স্লোবেকিয়া অমসুং সাউথ কোরিয়ানা টোপ টেনগী মনুং চনবা ঙম্লি। টাইৱান, অবানিয়া, য়ুনাইটেদ অরব এমিরেট্স, বোসনিয়া অমদি সর্বিয়ানা হেনলি এন্দ পার্টনরস ভিজা রেষ্ট্রিক্সন ইন্দেক্সতা মফম ২০ হেন্না কাখৎলকপা ঙমখি। অদুবু গিনিয়ানা মফম ৩২, লিবরিয়ানা মফম ৩৩, সিএরা লিওননা ৩৫ অমসুং বোলিবিয়ানা মফম ৩৭ হন্থরক্লে। খ্বাইদগী ইকোন-কোন্না থাদোরকখিবা হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্সতা ইন্দিয়াগী মফম ১০ হন্থরকপগা লোয়ননা ৮৪ শুবদা লৈরিবসি নীংবা কায়নিংঙাইনি। হীরম অসিগী মতাংদা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অভিশেক মানু সিংহভিনা হায়খি, কুমজা ২০১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক লাক্ত্রিঙৈদা ইন্দিয়াগী পাসপোর্টনা রেঙ্কিংগী ৭৪শুবদা লৈরম্মী। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্কী অশোয়বা থৌশিলনা মরম ওইরগা মফম ১০ হন্থরক্তুনা রেঙ্কিংগী ৮৪শুবদা কুমথরকপনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু বি জে পি অমদি কোংগ্রেসকী মরক্তা করম্বনা লৈবাক্কী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপগে হায়বদু হেনলি পাসপোর্ট ইন্দেক্স য়েংলগা ইরায়-লায়না খঙবা য়ারে হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্লরকপা য়াই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১২

১। চুড়াচান্দ মহারাজনা চহী ২০ শুরদুনা ১৯০৭কী মে ৫দা বৃটিশনা লৈঙাক শিন্নরে। মীওই ৮না শাবা দরবার অমা শেম্লে।
(ক) দরবার অসিগী ভাইস-প্রসিদেন্ট অদু সাহেব অমনা ওইদবা য়াদে। অদুনা অহানবা ভাইস-প্রসিদেন্ট ওইখিবা সাহেবতু কনানো?
(খ) অনৌবা লৈঙাক অদুনা চীংদনা ভিলেজ চীফ কয়া হাপখ্রে। অদুগী মথক্তা লৈঙাক্কী পাউ, সম্মন্নচিংবা পুথোক পুশিন পিওনগী ফম কয়াসু হাপখ্রে। ফম অদু করি কৌবগে?
২। "পুল্লপ পুল্লপ মকোক চুংশিন্নৈ/উনরগা মখুৎকাসু শোক্নৈ/ শোরোক লমজাউদা/চন্দ্রগী মী ময়াম।" পরেংশিং অসি 'চন্দ্রগী মী' কৌবা শৈরেংদগী লৌথোকপনি। কবি অদু কনানো?
৩। "ঐদি ইচম চম্বনি/ঐগী হায়বু/হৈরাং অনীখক য়াওরক্লি/মসিদি নচাশিংগীনি।" পরেং মরি অসিনা 'লাই অমসুং লাইয়েকপা' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবদু কনানো?
৪। "চহী কয়ামা নঙনা ঐবু/হিংনা হিংনা অশিবগুম লৈহনখি/হৌজিক্তি নঙনা অমুক ওইরে।" পরেং অহুম অসিনা 'অশাবা ভূট' কৌবা শৈরেং লাইরিক্তগীনি। অইবীদু কনানো?
৫। "য়েংজরগা পেঞ্জে থম্মোয়না/মীৎকা মীৎকা চানবা।" পরেং অনী অসিনা ঈশৈ অমগী অহৌবনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ৩০, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১গী পাউখুম থাবিরকপশিং

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় | ১, ২ | (২) |
| ২) | নামৈরাকপম নন্দিনি চনু, চীংঙামখা লিৱা মাইবম লৈকায় | ১, ২, ৩,৫ | (৪) |
| ৩) | খাইদেম বিল্লিয়ন মৈতৈ, লমসাং বজার | ১, ২, ৫ | (৩) |
| ৪) | সৈরোনা নামৈরাকপম, ৱাংখৈ নিংথেম পুখ্রি মপাল | ১, ২, ৫ | (৩) |
| ৫) | তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় | ১, ২ | (২) |
| ৬) | থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স | ২, ৪ | (২) |
| ৭) | থাংজম প্রেমকুমার, চরাংপাৎ মনীং লৈকায়, থৌবাল | ১, ২,৫ | (৩) |
| ৮) | অনন্দকুমার খুঞ্জামযূম, তাওথোং অয়ুংবা, লমসাং | ১, ২, ৪, ৫ | (৪) |
| ৯) | সঙ্গিতা ঙাসেপম, য়ুরেম্বম অৱাং লৈকায় | ২, ৪, ৫ | (৩) |
| ***১০)*** | ***মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং*** | ***১, ২, ৪, ৫*** | ***(৪)*** |

(অচুম্বা পাউখুমগী ৱাহং নম্বর, ব্রেকেট মনুংদা পীজরি)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১১গী ৱিন্নর

***মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১১গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জন্যুৱারী ১৯, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১গী পাউখুম

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।
(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু। ***:- বেনারস***
(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো? ***:- সনসম গৌরহরী***
২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্না 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো? ***:- এলাংবম দিনমনী***
৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কুমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তুনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা ষ্টেরিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো? ***:- রাজকুমার ভুবনস্না***
৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো? ***:- শান্তিবালা শামুরাইলাৎপম***
৫। "অনৌবা য়ুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো? ***:- ফুলেন্দ্র খুরাইজম***

# দ্রাইভর নুমিৎনা লাকপদা য়েংবা য়াবা মমায় অনী

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মণিপুরগুম্বা চীংনা ইকোয়-কোয়শিনবা লমদমদদি দ্রাইভর হায়বা শিনফমসিগী থৌদাং য়াম্না চাউই। থোয়দোক্না মীয়াম্না মসিগী থৌদাং অসি কাউথোক্লবগী ৱানি। মণিপুরদা পুশিল্লক্লিবা পোৎ চৈ অয়াম্বা দ্রাইভরশিংনা গাড়ী থৌদুনা কংফালগী লম্বীদা পুশিল্লকপা ঙাক্তনি হায়বমক য়াই। মসিগী মরমদি চিংনা কোয়শিনবা লমদম অসিদা ঈশিংগী লম্বী, ত্রেনগী লম্বী লৈতবসিনা পোৎ-চৈ লোয়নমক গাড়ীদা পুশিল্লকই। অতিয়াগী লম্বীদা এরোপ্লেন্না পুশিল্লকপা পোৎসু লৈতবদি নত্তে। অদুবু মদুদি অখন্নবা পোৎ চৈ খরখক্তনি। মদুগীসু মথক্তা পোৎ চৈ মরাং কায়না পুরকপসু য়াবা নত্তে। এরোপ্লেন হায়বসিদি মী তোংদুনা চৎনবনি, পোৎ পুনবা নত্তে। এরোপ্লেনদা পুরকপা পোৎ চৈদুনা য়ামখ্রবা লমদমসিগী মীয়াম্না শীজিন্নবা কোন্নগদবসু নত্তে। অদুনদি য়ামখ্রবা মীয়াম অসিনা শীজিন্নরিবা পোৎ চৈশিং অসি কংফালগী লম্বীদা ত্রক গাড়ী মপোৎ-মপোৎ ঙম্না থেক-খোয়না চৎলিবা চীং লম্বী অসিদা য়াম্না ৱানা, তপ্না দ্রাইভরশিংনা থৌরগা পুশিল্লক্লিবনি। অদুগা মীয়াম অসিনা শীজিন্নরিবনি। ঙল্লবা চীংশাং পরেং অসিদা দ্রাইভরশিংনা গাড়ীগী ষ্টারিং হেক পায়খিদবদা ইচম-চম্বা পোৎ চৈনি হায়না মীয়াম্না খন্নবা পোৎ ফাওবা ফংলক্তে, মমল ৱাংখৎলকই। অদুনদি দ্রাইভরগী থৌদাং অসি কয়াদা চাউখ্রবনো হায়বসি মীয়াম্না হেক্তা খঙনরকই। পোৎ চৈ মরাং কায়না লৈরগনা মীয়াম্না দ্রাইভরশিংগী থৌদাং অসি কাউনবগুম তৌই। মসি তাইবঙপালসিগী হৌনশা হায়বদু ওইরমাল্লে। লমদমসিদদি পোৎ চৈ পুথোকপগী চাং য়াম্না নেম্বদগী মীরমদগী চান-থক্লবা, শেৎন-চানবা, হীদাক-লাংথক, লাইরিক লাইশুগী, য়ূম-কৈ শানবা অমদি অতৈ থবক কয়াগী পোৎচৈ কয়া মপান্দগী পুশিল্লক্তরবদি মীয়ামসি হিংবা ঙল্লোইদবনা দ্রাইভরগী থৌদাংসি অমুক্কা হেন্না চাউখ্রে। শম্না ফীভমসিগী মতুংইন্না হায়রবদা লমদমসিগী মীয়ামগী চুপ্লিদি দ্রাইভরশিংগী খূৎতা লৈরে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

দ্রাইভরশিংগী থৌদাং অদু মশক খঙলদুনা দ্রাইভরশিংগী নুমিৎ হায়বা থৌরম লমদমসিদা পাকশন্না পাঙথোক্লে। পাঙথোকফমসু থোকই অদুগা পাঙথোকসু পাঙথোক্কদবনি। থৌরম অসি পাঙথোকপসিনা মণিপুর অসি করি ফীভমদা লৈরি হায়বসি নীংশিংহল্লি। য়েংবীয়ুকো নুমিৎ অসিদা ঙাঙনরিবা ৱাফম ময়ামসি - দ্রাইভরশিংদা মীনুংশি য়াওদনা মীওৎ-মীনৈ চথরি, লম্বী থোং য়াম্না ফত্তে, পোত্থাশঙ শাবীদে, চান-থক্লবা, থাউ য়াওনা পোৎলম কয়া মপান লমদগী মণিপুরদা শীজিন্ননবা পুশিল্লকই হায়বা ময়ামসিনি। ৱাফমশিংসি মথং-মথং খন্নসি করি লৈবগে হায়বদু। ৱাহন্থোক লৈবা ঙাক্তনি তিল য়োৎথরগা খন্থরুরবদি। দ্রাইভরগী শিনফমসি নুংঙাইবা শিনফম হায়বদুমক্তি নত্তে হায়রিবসি চুমদি-চুম্বনি করিনা হায়ববু নুংশিরবা ময়ূম থাদোক্লগা মথৌ তৌবা চৎলিবনি। হায়রিবা ৱাফমসি মণিপুর ৱাংমদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ী থৌবা অমদি মী তোংবা বস থৌবা দ্রাইভরশিং অদুবুনি। মণিপুর মনুংদা গাড়ী থৌবা দ্রাইভরশিংদুগী মতাংনি ময়ূম থাদোকপগী ৱা হায়রিবসি। শম্না দিমাপুর, গুৱাহাটিদগী পোৎ লৌবা চৎপা দ্রাইভরশিং অদুদি ময়ূম থাদোকপসি ত্রিপ অমদা নুমিৎ নীনি নৎত্রগা হুমনিদি ওইরে। শেল খায়বা, পোৎ মুনবীবা, শেলগীদমক নমদুনা ফাজিন্দুনা থম্বীবা কয়া থেংনৈ, অৱাবা কয়া মায়োক্নৈ। খুদোং থীবদগী থৱায় মাঙবা য়াওরগনা লৈহৌরিবা নুপী-অঙাংশিংদু করম্না পুন্সি লেলহৌগনি হায়বা ৱাহংসি লাকই। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি লমদমসিগী/লৈবাকসিগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম করি ফীভমদা লৈরে, লৈঙাক অসি মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীবা ঙম্লিবরা হায়বা ৱাহংদু লাকই। ফীভমসিবু লাকশিনবা হায়বসিদি গভর্ণমেন্টকী খূৎতা লৈরে। তশেংনা ফত্তবা মী লৈরে হায়বনি। অমরোমদা মীয়াম্না নীংশা শ্বর হোল্লিবসি দ্রাইভরশিংনা পোৎ চৈ পুশিল্লকপদগীনি হায়বসি কাউবা চুমদে। মীয়ামগী চাকখুমদা মৈ মুৎত্রিবসি দ্রাইভরশিংগা মরী লৈনৈ। শেল লৈরে হায়রগসু লৈগদৌরিবা পোৎ চৈদু ফংদ্রবদি চাকখুম মৈ মুৎলে, ফি শেৎতবগী ফীভমদা লাক্লনি। মখোয়গী মখা পোন্না হিংলবা লমসিনা দ্রাইভরশিংদা তাথী-তাওইনা তৌরুবা হায়বসিসু নাতৈ চাদে, খোঙদা শিংজংনা য়ানশিঞ্জবগা পাঙ্খকনি। লম্বী থোং ফজনা শেম্বীয়ু হায়রকপসিসু লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্ট অদুগী তৌরকপা থবক্কী মমি তারিবনি। মীয়াম্না শীজিন্ননবা পোৎ পুশিল্লকপা গাড়ী থৌবা দ্রাইভরশিংদা পোৎ চৈ পুশিল্লকউদা হায়বা অদুগা পুশিল্লক্কদৌরিবা লম্বীদুনা কোম, পুখ্রিগী মওংদা লৈবদুসু লৈহন্দনবা মথৌ পাঙথোকপা য়াই। লম্বী শেম্বা হায়বসি পুবা-থাংবা ঙমদবা পোৎলুম অমদি নত্তে। অফবা লম্বীদা গাড়ী চৎলবা মতুংদা চীংনুংদা লৈবা মীয়ামসি পোৎ চৈ ফজনা ফংগনি। মসি অফবা থবক অমনি। মদুগীসু মথক্তা অফবা লম্বী অমা হায়বসি মীওইবা অমনা শোয়দনা ফংফম থোকপা রাইট অমনি।

দ্রাইভরগী নুমিৎসিদা পীরিবা পাউজেলশিংসি য়ামখ্রবা জাৎনি অমদি করিগুম্বা তায়োন্নবা থবক কয়া খুন্নাইসিদা/লমদমসিদা তৌদুনা লৈরে হায়বসি তাক্লিবনি। দ্রাইভরগী অৱাবা অমদি মখোয়গী মতেং পাংনবা, য়াইফনবগী থবক কয়া পায়খৎনবা ৱাফম কয়ামুক্তি নুমিৎসিদা পুথোক্তুনা ঙাঙনরিবসি। য়াম্না ফবা ঙাক্তনি। থবক ওইনা পাঙথোক্কদবা মীওইশিংনসু থবক্তু পন্দুনা অদুমক হায়রি অদুগা থবক্তু পাঙথোকপা ঙল্লোইদবশিংনসু আপিল ওইনা মরী লৈনবশিংদা অদুমক হায়রি। মতাং অসিদা কনানা করিনো হায়বদু মরী মখোঙ ইশম-শম্নদবগুম্না উবগুম তৌই। দ্রাইভরশিংগী য়াইফ থৌরাং পায়খৎপা য়াম্না চুম্মী। অদুবু দ্রাইভরগী নুমিৎ অসিদা দ্রাইভরশিংগী অতোপ্পা নাকল/মমায় অমদুসু য়েংবা চুম্মী হায়না খল্লি। লোয়নমক নৎত্রবসু দ্রাইভরশিংগী মরক্তসু লোনা য়াদবা মীওইবা খুন্নাইদা অমাং-অতা থোক্কদবা থবক কয়া তৌবা য়াওরি। শম্না হায়রবদা দ্রাইভর অমা ওইবগী মশাগী শিনফম অদুগী ওইবা থবক/মথৌ অদু তৌদদুনা তায়োন্নবা থবক কয়া তৌরি। শম্না হায়রবদা ময়াই কাবা পোৎলম কয়া মফম অমদগী মফম অমদা পুথোক-পুশিন তৌবগী ফৎত্রবা থবক অসি তৌবদা য়াওরি নৎত্রগা নাকোয়ননা মতেং পাংলি। মসিগুম্বা থবক অসিদা য়াওশিনবদা দ্রাইভর অদুনা থেংনরমগদবা/উনরমগদবা/তিন্নরমগদবা মীওইশিংদু কয়া ৱায়োং চাদবা খুন্নাইগী/লৈবাক্কী মায়োক্তা লৈরবা মশাগী ওইজবা থবক্তনা মপূং ওইনা তৌরবা মীওইশিং ঙাক্তনি। অদুগুম্বা মীওইশিং অদুগা পূন্না থবক তৌমিন্নরবা দ্রাইভর অদুগী পূক্লিং ৱাখল অদু অফবা হায়বদুদি ওইররোই হায়নীংই। মখোয়শিং অদু থেংননবা সেক্যুরিটি ফোর্স থোক্লক্তুনা মখোয়গী মশাগী মথৌ পাঙথোক্লকপদা পামদবা থৌদোক থোক্লকপা মশানা তাবনি। অমরোমদা মদুগুম্বা থবক্তু পাঙথোক্লবা হোৎনবদা সেক্যুরিটিগী মীওইশিংগী পূক্লিং ৱাখল হোংহন্নবা হোৎনবদা শেঞ্জা-থুমজাগী মতেং লৌরকই। মদুনা মরম ওইরগা মবুকচেল শেংনা লৈবাক্কীদমক মথৌ তৌরম্বা পর্সনেল কয়াসু লম্ফে অমদা চৎপা হৌরকই। মসিনা লিশাং শিৎনা চখরকপদা খুন্নাইসিগী তুংগী য়ূম্বীরেল ওইগদৌরিবা নহারোল কয়াবু মাঙহন-তাকহল্লি, অশিবা খুন্নাই অমা ওইনবগী লম্বীদা পুশিল্লকই। অদুগা অমুক লম্বী লমশাংদা লৈবা সেক্যুরিটি পর্সনেল কয়ানসু দ্রাইভরশিংদগী মী ফাদুনা শেল লৌবা/খায়বা হৌরকই। চুম্না মথৌ তৌজবা দ্রাইভর কয়াদগীসু তুনা শেল লৌবগী চৎনবী অমা শেমগৎলকই। অদুবু হায়রিবা মচৎ অসি সেক্যুরিটি পর্সনেল লোইনমক্নদি তৌবা নত্তে। পূক্লিং ৱাখল ফাথবা ঙমদবা মীওইশিংনা চথবা থৌওং অমনি।

মণিপুরগী ওইনা য়েংলকপদা লমদমসিদা মীতোপ চংশিল্লকপগী ৱাথোক অমা লৈরিবসি দ্রাইভরশিংনসু খরা ৱাখল খন্থনীংঙাই ওইরে হায়নীংই। গাড়ী কয়াদা মীতোপশিং লমদমসিদা চংশিল্লক্লিবসি গাড়ী তোংলগনি। মী তোংদুনা চৎলিবা গাড়ীশিংদি অমরোমদা তোঙান্না থমখ্রগা পোৎ চৈ পুবা গাড়ী কয়াদা লোনা য়াদবা মীতোপ কয়া লোন্না পুশিল্লকপসু য়াওদবা নত্তে। মদুগী থৌওং অদু য়ামখিদ্রবা শেনফম খরগা মন্তিক্লরগা চথরিবনি। অদুবু লমদম অসিগী পুন্সিরোলদদি কয়াদা অহোংবা লাকখ্রবনো হায়বসি মুন্না খন্থনীংঙাই ওইরিবনি। দ্রাইভরশিংগী মরক্তসু ময়াই কাবা চিঙাক চাবা অমদি নুপী অঙাংদা চথবা থৌদোক কয়াদসু চেন্নবা মীওই কয়া য়াওদবা নত্তে। মসি ময়ূম থাদোক্তুনা লম্বী লমশাং চৎপগী অৱাবা খাংনবা হোৎনরম্বসু য়াই। অদুবু করি তৌবা/তৌদবা হায়বদু মশা মশানা পূক্লিং ৱাখল ফাথজবা চুম্মী। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি দ্রাইভরগী নুমিৎ অসি নাকল অনীমক্কী অফ-ফত্ত লোইনমক খন্ন-নৈনবা চুম্মী খল্লি। মসিখক্তনা দ্রাইভরশিং য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎপা ঙমগনি। অফবা, য়াইফনবা থবক কয়া পায়খৎপখক্তনা দ্রাইভরশিংগী অৱাবা খুদোংচাদবা কোকহনবা ঙমগনি হায়বা থাজদে। দ্রাইভরশিংগী লূপশিংনসু খুন্নাইনা/লোনা য়াদবা থবকশিং দ্রাইভরশিংনা তৌদনবা হোৎনবা চংই। তৌদবমক্তি নত্তে তৌরমগনি, হোৎনরিবনি। ●

# ঙসি পুয়া মৈ-থাখিবগী নীংশিং নুমিৎনি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

ঙসি অসি, চৈচৎকী মতুংইন্না, ৱাকচীংগী ২৩নি পানবা, ইরাই নুমিৎ, কংলৈপাক্কী পুৱারীদা অমুবা মচুনা ময়েক লানা য়েক্তুনা লৈহৌরগদবা, কংলৈসিগী কংলৈচাশিংনা পুয়া মৈ থাবগী নীংশিং-থৌরম পাঙথোক্লবা নুমিৎ অদুনি। পামহৈবা নিংথৌগী সনা হাকথক, কুমজা ১৭২৯গী ৱাকচীংগী ২৩নি পানবা নুমিৎ, নুমিৎ অসিদা কংলা উত্রা শঙলেন মমাঙদা, চুক ৪ য়ুংদুনা, শীংখন নাইনা খল্লগা, কংলৈচাশিংগী থৱায় ওইরিবা পুয়া লাইরিক মখৈবু খোমগৎতুনা পোৎলোইবগী মতৌগুম মৈ থাদোকখিবা, নুমিৎ-থানা ঙাল্লিমখৈ কংলৈচাশিংগী থম্মোয়দা কাউবা খক লৈররোইদবা থৌদৌনি। কংলৈপাক্কী পুৱারীদা নুমিৎ অসিবু 'পুয়া মৈ থাবা নুমিৎ' হায়না খঙনদুনা, কংলৈপাক শিনবা থুংনা অমুবা নৎত্রগা অমম্বা নুমিৎ অমা ওইনা নীংশিং-থৌরম পাঙথোক্লদুনা লাক্লি। কংলৈচাশিংগী মমল নাইদ্রবা পুন্সিরোল, লৈঙাক্লোন, লাইনীংলোন অমসুং ৱাংউরোলনচিংবা পূম্নমক্কী য়াঙলেন শৰ্দ্ধ ওইরিবা অমদি মতম শাংনা পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লাক্লবা কংলৈপাক্কী পুয়া লাইরিকশিং পূম্নমক্কী অরোইবা পুংফমদু ঙসিগী নুমিৎ অসিমক্তদা ওইখিবনি। চহী খুদিংগী, কোরৌসিনা য়ৌরকপদা হেক-হেক, থৌদৌসিবু নীংশিংদুনা নীংশিং-থৌরম পাঙথোক্লবনি।

কুমজা ১৭০৯দা কংলৈপাক্তা, মপাবুং ইবুংঙো মৈদিংঙু চরাইরোংববু হাৎলগা কংলা ফম্বান তোংখিবা, মৈদিংঙু পামহৈবা সনা হাকথক্তা, শান্তিদাস (শান্তদাস) গোসাই কৌবা, রামান্দি লাইনীংগী হিন্দু-লম্বোইবা অমা, সিল্লেত্তগী কংলৈপাক্তা চঙলকখি। হিন্দু লম্বোইবা অসিনা মখল-মথেল কয়ামরুমগী হিন্দুগী লাইনীং-লীচৎশিংবু কংলৈপাক্তা শন্দোক্লখি। মদুগী মহয় ওইনা, কংলৈপাক্কী কংলৈচা পূম্নমকপু, নিংথৌ সনা-য়াথংনা, খৃ: ১৭১৪দা হিন্দু লাইনীংদা খোগোপ্পা নমদুনা লাইমীং লৌহনখি। কংলৈচাশিংগী লাইনীং-লম্বীগী য়াংলেন শৰ্দ্ধ ওইরিবা উমংলাইশিংগী লাইশঙশিংবু মথং-মথং থুগাইদুনা মাঙহন-তাকহনখি। লুর-লুরবা লাইফম কয়ামুক্তগী মীতৈ/মৈতৈশিংগী উমংলাইশিংবু খোমগৎতুনা (সনামহী কোলু য়ৈখায়বা য়াওনা) মোংবা হনবা উমংগী হৈবোঙ শিদবা মখোঙদা পোৎলোইদুনা অমত্তা খাক্তনা থমায়রগা ফুমজিনখি। পূম্নমকসি মথং-মনাও নাইনা পাঙথোক্লবা মতুংদা, কংলৈচাশিংগী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউনা মাঙজখিবা থৌদোক অমা ওইনা, খৃ: ১৭২৯গী ৱাকচীংগী ২৩নি পানবা নুমিৎসিদা কংলাদা 'পুয়া মৈ থাবা' গী থৌদৌসি পাঙথোকখিবনি। নুমিৎ অসিবু মীতৈ/মৈতৈশিংনা নীংঙমদবা ফোঙদোক্তুনা চহী খুদিংগী 'পুয়া মৈ-থাবা নীংশিং-নুমিৎ' হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্লবনি।

তশেংনমক, মাঙলমচত্তা কংলৈচাশিংগী পুয়া লাইরিকশিংবু পুল্লপ খোমজিন্দুনা পামহৈবা নিংথৌ সনা হাকথক্তা ঙম্মী মতাগুম, মৈ থাদোকপীখিবা সিমক্তি, মীতৈ/মৈতৈ হায়বা ফুরুপসিগী পুৱারীদা, চাংদম্নীংঙাই লৈতনা মাঙজখ্রবা থৌদৌ অমনি। থৌদৌসিনা মালেমগী থাক্তা ফুরুপ অসিগী চাওখৎ লমজেল অমদি অতৈ হীরম কয়ামুক্তা কয়াম থিন্থহল্লমগদগে হায়বদু, অমুক হন্না পন্নরুদ্রবসু অয়াম্বনা খঙনরবা ৱাফমনি। অতাবা খুদিংমক্না থৌদৌসিবু অফবা অমসুং কান্নবা থৌদৌ অমনি হায়নদি খক লৌনরম্ফম থোক্তে। পামহৈবা নিংথৌ অমসুং মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পু অশিংবা কাঙলূপনিসু নীংনরম্লোই। মীওই ফুরুপ অমগী পুৱারীগা শাগোন্নরিবা, ফুরুপ অদুগী চাওখৎ খোঙথাং কয়ামরুমগী পুক্নৈ ওইনা লৈরিবা অইবা লনশিং, খুন্নাইসিগী থৌদোক-ৱাথোক, চৎন-লোনচৎ, ৱারী শিংবুন, পূম্নমক্তুবু খুদক্তা তাঙ্গোয় ওলহনখিবা হায়বসিদা, থৱায় নুংঙাইরমগদবা অমসুং শাওনীংলল্লোইদবা ফুরুপসিগী মীওই ঙসি ফাওবদা, মালেমসিদা পোক্লমগনি থাজদে। অদুবু পূম্নমকসিবু খঙজিন-তাশিল্লুবদগী নীংঙমদবা পোক্তুনা অমসুং পূম্নমকসিনা লমজিংদুনা মালেমসিগী মীয়াম মাঙদা, অপঙবা অমগুম পুৱারীবু হঙ্গৎনা য়েংলুবদগী, মালেমগী ফুরুপ অতৈগা মীমান্নদবা, মচিং-মশোন নাইবা ফুরুপ অমা ওইনা হৌজিক্তা উহন্নবা হোৎনবদুদি খক চুম্লরোই। ৱাখল মীৎয়েং অমরোমদা, পুৱারী হায়বসি পুৱারীনি। ঐখোয়না কৈদৌঙৈদসু খক হৌখ্রবা মতমদা থোকখিবা থৌদোক অমত্তবু থৌনা ফনা হোৎনদুনসু মদুগী মচৎ, মচেৎ অমা ফাওবা হৌজিক্তা হোংহনবা ঙল্লোই। পুৱারীদা থোকখিবা থৌদোক-ৱাথোকশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা, নিংদোন পোমদুনা মদুনা, পূন্না হিংমিন্নরিবা হৌজিক্কী অপূনবা মীওই কাঙলূপসিদা অমুক নৌহৌনা য়ৈখায়-থিনগায়বা অমসুং য়েক্লবগী ৱাখল ইহুল হেঙ্গৎহনগদবা থৌদৌশিংদি ঐখোয় হৌজিক তৌবা চুম্লোই। অদুগা অমুকসু হৌজিক-হৌজিক-খক্তগী ওইবা মচৎপু য়েংলগা, তুংদা মীওইবা খুন্নাইনা অপূনবা শাগৎপগী মহুত্তা, অমগা অমগা তোখায়-তোখায় তানহৌগদবা থৌদৌশিং অমত্তসু ঐখোয়না পুৱারীগী মচাক অমা ওইনা লৈহৌনবা খক শীল্লোইদবনি। পুৱারীদা অসিগুম্বা মচাকশিং পীরম্লিবা কাঙবুশিং, মতম -মতমদুদা ৱাখল-লৌশিং থেনহৌবা অমসুং তুংলমচৎকী লম্বীশিংবু মাঙওইননা শান্না উবা ঙমহৌদবা মীওইশিং ঙাক্তনা অয়াম্বনি। মখোয়শিংদুননি তুংলমচৎতা লোইবা নাইদবা লানগী মৈনাশিং ফুম্নল্লিবসি। হৌজিক্তি মালেমসি চাওখৎলবনি। থৌদৌশিংদুগী মমি অমুক হন্না তাহনফম থোকত্রে। তশেংনমক্তি হৌজিক্তি, মালেমসি শুপ্নগী ৱর্ল্ড ৱার অমুক্লক খক্তং থোকপদা, মচিং-মশোন নাইবা, ৱাখল ফাথবা ঙমহৌদবা, পংতক-শুদকপা লৈবাক অমত্তং য়াওরম্বদা লোইরবনি। তুংগী হায়বা ৱাখল অমত্তা খন্থহৌদনা ন্যুক্লিয়র খূৎলায় অমত্তং শীজিন্নরকপদা, পুৱারীকা অমত্তা লৈহৌররোই। মালেমসিদা লৈরিবা লেংলি-পাল্লিবা পূম্নমকসি পূন্না তুমিন্নখ্রবদবু কদাইদগী পুৱারীনো লৈহৌগদৌরিসি? অনৌবা 'বিগ-বাং' থিওরি অমা হায়বদু মদুনা অমুক মহুৎ শিলহৌগদৌরিবনি। মরম অসিনা, ঐখোয়না পুৱারীবু নৈনবা অমসুং পুৱারীগী থৌদোক-ৱাথোকশিংবু নীংশিংবা মতমদা পূক্লিং, ৱাখল অনীমকপু চেংনা ফাজিন-পুনশিনবা ঙম্বগী থৌদৌ অমা মথৌ তাই। ঐখোয়না কৈদৌঙৈদা খক, ৱারী ওইখ্রবা, ইপা পোকপা ইপু নৎত্রগা ইবুধৌনা শরেং থোংবা এঞ্জাংগা ওন্নথোকখ্রবা, লৈজদবা কনাগুম্বদা পীথোকখ্রবা লৌ-ইঙ্খোলশিং, ঙসিতা নৌহৌনা হন্দোক্লকউ হায়রুফম থোক্তে। দিল্লিদা খৎনবা হৌরকখিবা মীয়ান মচাশিং, শকমান্নবশিং থিরগা নাপামপালদা ফুবগী থবক চুম্লোই। মফম, মতম অমদি মীশক ওন্ননা, তৌনীংবা থবক তৌবা হায়বসি শাখিনা লানবা, অরানবা থবকশিংনি।

ঙসি নোংমা-নীনিগী মমাঙদগী হৌনা, মথং-মথং, ইরমদমসিদা পুয়া মৈথাবগা মরী লৈননা, নীংশিং থৌরমশিং পাঙথোক্লবা হৌনখ্রে। থৌরম খরদা ফজ-ফজরবা, শেংলবা ৱাখল ঙাক্তা ফোঙদোক্লবা ৱাফম কয়ামরুমসু তাবা ফংনখি। অসুম্না ঐখোয়না তঙাইফদনা মাঙলমচত্তা চয়েৎনখবশিংবু ঙসিগী পুৱারীগী তাঙ্কক অসিদা অঙম্বা থাক্তা চমথোক্লনবা অমসুং শেংদোক্লনবা হোৎনবা মথৌ তাই। মাঙলমচৎকী পুৱারীদা থোকখ্রবা নীংঙমদবা থৌদোকশিংদুনা ঐখোয়বু চথরিবা হৌজিক্কী ওইবা পুৱারীসিদা মখল অমত্তগী অনৌবা চৈথেংশিং পীরকহন্দনবা থৌনা ফনা অমসুং ৱাখল লৈনা থৌ পাংমীন্ননবা হোৎনবগী তঙাইফদবশিং লৈ। মীপূম খুদিংমক নিংথিনা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নরগা অমগা অমগা তেংবাঙনসি হায়নবদা য়ারক্লোইদৌবা মীওই, ঙসিগী খুন্নাইসিদা লৈরম্ফম খক থোক্তে। ফোঙদোক্লদবা, শেংদোক্লদবনা মীগা মীগগী মরক্তা অমগা অমগা নীংঙাই শংদান্নহল্লি, লোয়ননা নাকোয়ননা শিংনবগী লম্বীশিংসু হেঙ্গৎহল্লি। খঙজীনমিন্নবা ফৈ - "পীনীংবা মী অমনা পীনীংবনা মখূৎ থাঙ্গৎতুনা ঙাইরবা ফাওবদা, লৌগদবা মীওইদুনা লৌনীং-লৌনীংনা মখূত্তু থাংদোক্লকপা তৌদ্রবদি, অনীমক্তু করম্না পীন-লৌনগনি অমসুং মমৈদা পূন্না নীংবা কায়মিন্নবা শোয়দ্রবনি"। মতম চুপ্পদা, ৱাখল-লৌশিংগা মরুপ ওইরগা পাঙথোকমিন্নবা অয়াম্বা থবকশিংদি মায় খক খুগন্দে।

অমবু ওইরবসু, অমবু ওইরবসু, মৈতৈ ফুরুপ্পা মৈতৈশিংগী পুয়া মৈ থাখিবা নুমিৎপু নীংশিংদুনা ইশাগী ফুরুপকী ওইবা মাঙখ্রবা মচাক-মথুমশিংবু অমুক হন্না খোমজিন্নবা অমসুং অমগা অমগা তাথোক-তাশিন তৌমিন্নদুনা নৌহৌনা শেমগৎ-শাগৎনবা হোৎনমিন্নবা হায়বসিদি ফৈ। মসি অফবা থবকশিংগী মনুংদা অমনি। ফুরুপ অসিমক্কীসু তশেংনা চাউথোকচনীংঙাই ওই। তুংগী মীরোলশিংগীদমক খল্লগা তঙাইফদনা তৌফম থোকপা অমা হায়বদুসু শোয়দনা ওইগনি। অসুম্না পুয়া মৈ থাবগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপনা শুপ্নগী নুংঙাইতবা অমসুং নীংঙমদবশিংদু নীংশিংবগী থৌরমখক্তমক ওইহনবদা নত্তনা খুন্নাইসিগী তুংলমচৎকী পুৱারীদসু অসিগুম্বা থৌদৌশিংসি অমুক হন্না থোকহন্দনবা অমগা অমগা ৱাখল্লোন ফাউদোকমিন্নবগী থৌদৌশিংসু ওইহনসি। ঐখোয় মালেম ফম্বাকসি ঐখোয়গীনি। ●

